# মণিপুর ষ্টেট পৱার কমপনি লিমিটেড, ইম্ফাল

## [illegible]/ পব্লিক নোটিস

## মতাঙনা

**শেনবা চহী ২০২০-২১ গীদমক জোইন্ট ইলেক্ট্রিসিটি রেগুলেতরি কম্মিসন মনিপুর এন্ড মিজোরামগী মফমদা এম এস পি সি এলনা ফাইল তৌখিবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিকায়রমেন্ট অমসুং তারিফ পেটিসন**

১। দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনা মখা তানা শীজিন্নবগীদমক ষ্টেটকী মনুংদা পাৱার থাদোকপগীদমক থবক তৌরিবা দিম লাইসেন্সি ওইরিবা এম এস পি সি এলনা ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট, ২০০৩ গী সেক্সন ৬২ অমসুং জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম(এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মখাদা শেনবা চহী ২০২০-২১ গী দমক ষ্টেটকী মনুংদা মৈ ত্রান্সমিসন তৌনবা এগ্রীগেট রেভেন্যু রিকায়রমেন্ট অমসুং তারিফ এপ্লিকেসন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম, আইজোলদা ফাইল তৌখ্রে হায়না কঞ্জ্যুমর অমসুং ষ্টেক হোল্ডর পূন্নমক্কী মফমদা খঙহল্লি।

কম্মিসন্না এম এস পি সি এলগী পেতিসন য়ারে অমসুং পেটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০২০ হায়না রেজিষ্টর তৌরে। শেনবা চহী ২০২০-২১ গী এ আর আরগী শন্নপা অদু টেবলসিদা পীরি।

(লুপা কোতি)

| সে নং | অকুপ্পা মরোলশিং | শেনবা চহী ২০২০-২১ (১২-০৩-২০১৮ এম ৱাই তি ওদর দা এপ্রুব তৌরবা ) | শেনবা চহী ২০২০-২১ (প্রোপোজড) |
|---|---|---|---|
| ১ | আর এন্ড এম খরচ | ২৪.৩০ | ১০.৫৬ |
| ২ | এমপ্লোয়ি খরচ | ৭৩.২৭ | ৭৯.৫৭ |
| ৩ | এডমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং জেনরেল খরচ | ৪.৯৪ | ৪.০০ |
| ৪ | দিপ্রিসিএসন | ১.৪৮ | ১.১৫ |
| ৫ | লোন্দা ইন্ট্রেষ্ট | - | - |
| ৬ | রিতর্ন ওন ইকুইটি | ১.৫৬ | ১.৫৬ |
| ৭ | ৱার্কিং কেপিটেলগী ইন্ট্রেষ্ট | ৫.২৬ | ৪.৪৬ |
| ৮ | ইনকম টেক্স | ০.৪০ | ০.২৪ |
| ৯ | লেসঃ নন টারিফ ইনকম | ৮.৬৮ | ১০.২০ |
| ১০ | লেসঃ এক্সপেন্সেস কেপিটেলাইজড | ৫.২৩ | ০.০০ |
| ১১ | **নেট রেভেন্যু রিকায়রমেন্ট** | **৯৭.৩০** | **৯১.৩৪** |

জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এম(এম ৱাই তি) রেগুলেসন, ২০১৪ গী মতুং ইন্না এম এস পি সি এলগী অপুনবা ত্রান্সমিসন কেপাসিতিদা লৌরিবা ত্রান্সমিসন কেপাসিতিগী সেয়রদা য়ুম্ফম ওইদুনা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমরশিংদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা ত্রান্সমিসন এ আর আর লৌখৎকনি।

হৌজিকমক্কী ওইনা এম সি পি সি এলদা লোং তার্ম ত্রান্সমিসন কষ্টমর অমখক লৈরি, হায়রিবা অসি দিষ্ট্রিব্যুসন লাইসেন্সিনি, মদুদি এম এস পি দি সি এল হায়রিবা অসিনি। মরম অসিনা এম এস পি সি এলনা এম এস পি দি সি এলদগী থাগী ফিক্স চার্জ ওইনা অপুনবা ত্রান্সমিসন এ আর আর লৌখৎপা তাই।

### শেনবা চহী ২০২০-২১ গী প্রোপোজড ত্রান্সমিসন টারিফ

| সে নং | অকুপ্পা মরোলশিং | একজিস্তিং শেনবা চহী ২০১৯-২০ | প্রোপোজড শেনবা চহী ২০২০-২১ |
|---|---|---|---|
| ১ | রিকোভর তৌগদবা ত্রান্সমিসন এ আর আর (করিগুম্বা লৈরিবা অদু নোরমেলগা মান্নবা নত্রগা হেনবা মতমদা) | লুপা ৮৫.৬৮ কোতি | লুপা ৯১.৩৪ কোতি |
| ২ | শেনবা চহী ২০২০-২১ দা এম এস পি দি সি এলগী থা অমগী ত্রান্সমিসন টারিফ | লুপা লাখ ৭১৪.৫ | লুপা লাখ ৭৬১.১৮ |
| ৩ | শেনবা চহী ২০২০-২১ দা এম এস পি দি সি এলগী এভরেজ কন্ত্রেক্তেড ত্রান্সমিসন কেপাসিতি | মেগা ৱাট ৩৫৫.৬৫ | মেগা ৱাট ২৫৬ |
| ৪ | লোং তার্ম ত্রান্সমিসন য়ুজরশিংগীদমক মেগা ৱাট অমগী কন্ত্রেক্তেড কেপাসিটিগী থা অমগী ত্রান্সমিসন টারিফ | লুপা লাখ ২.৫ | লুপা লাখ ২.৯৭ |

২। এম এস পি সি এলনা প্রোজেক তৌবা ত্রান্সমিসন লোস - ৮.৫০%

৩। মথক্কী পেরা-১ দা পল্লিবা ফাইলিং অমসুং এপ্লিকেসনগী কোপিশিং মেনেজিং দিরেক্তর, এম এস পি সি এল, ইম্ফাল, মণিপুর ওফিসটা ফংগনি।

৪। থৱায় য়াওবশিংনা মথক্তা পল্লিবা ওফিস অসিদা ওফিস অৱর মতমদা হায়রিবা এ আর আর অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিং য়েংবা য়াগনি।

৫। পেটিসন খুদিংগী লুপা ১০০ কেস ওইনা নত্রগা দি দিগী খুথাংদা পীরবা মতুংদা মথক্তা হায়রিবা দোকুমেন্টশিংসি মথক্তা পল্লিবা ওফিসসিদগী লৌবা য়াগনি।

৬। এম এস পি সি এলনা পীশিনবা এ আর আর ফাইলিং অমসুং টারিফ প্রোপোজেলশিংগী মতাংদা য়ানিংদবা নত্রগা হৌদোক্লিংবা লৈরবদি সপোর্ট তৌবা মচাক্কা পুন্না সেক্রেতরি, জে ই আর সি এম এন্ড এম, আইজোল, তি বি এল ভবন, ২-৫শুবা ফ্লোর, ই-১৮, পিতর ষ্ট্রিট, খালতা, আইজোল কোপি মঙা হকথেংন্না পীশিনগদবনি নত্রগা তাং ১৪/০২/২০২০ ফাওবগী মনুংদা য়ৌহন্নবগীদমক রেজিস্তর্দ পোষ্টকী খুথাংদা থাগদবনি।

৭। য়ানিংদব নত্রগা হোংদোক্লিংবা অদু কোপি মঙা থোক্না পীশিনগদবনি অমসুং মপুং ফাবা মমীং অমসুং পোষ্টেল এদ্দেস লোয়ননা নিংথিনা এত্তেষ্ট তৌবা এফিদেবিট অমা য়াওহনগদবনি। ওর্গনাইজেসন নত্রগা কঞ্জুমর ক্লাস অমা হেক্তগী মায়কৈদগী ফাইল তৌবা ওইরবদি মদু পনগদবনি। ওবজেক্সন অমসুং কমেন্টশিং পীরিবা মীদুনা পব্লিক হীয়ারীংদা মশামক লাক্নুনা য়াওবা অমসুং মশামক্কী ৱাফম তাহন্নীংবা পাম্বা অদুশু মরীক চুন্না পনগদবনি।

৮। মসিগী নোতিস অসিগী পাউখুম ওইনা পীশিল্লকপা অইবা ওবজেক্সন অদু জে ই আর সি ফোর এম এন্ড এমনা য়েংশিল্লবা মতুংদা অখন্নবা তারিখ অমদা হিয়ারিংগীদমক ওবজেক্তর অদু কৌরকপা য়াই, মসিগী তারিখ অসি কন্মিসন্না মতম গী মতুং ইন্না খঙহনগনি।

মেনেজিং দিরেক্তর
এম এস পি সি এল
ইম্ফাল, মণিপুর